


নান্দেবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা এস এস সী গ্রাউন্দদা হকচাং ফনা লৈসি শেম্মিৎলোন ফগৎহনসি, শুবা নোম্বা লেপকুমসি হায়বা ৱাফমদা যুন্মফম ওইরগা পাঙথোকখিবা হেপ্পি ইন্তরনেস্নেল ৱিমেন্স দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

# লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লকখিবা লুপা লাক্ষ ৫২ রোমগী ওইগদবা ফোরেন ওরিজিন চুরুটশিং অসাম রাইফলসনা ফারে



আইজোল, মার্চ ০৮ (এজেন্সি):

মিজোরামদা অসাম রাইফলসনা দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংগী মনুং চন্না ষ্টেট অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকখিবা লুপা লাক্ষ ৫২ রোমগী ওইগদবা চুরুটশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

চম্ফাই এরিয়াদা মীওই খরনা লোনা য়াদবা মওংদা চুরুট লল্লোন ইতিক তৌবগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা মফম অদুদা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নদুনা লাকখি। চুরুটশিং অদু ফাবা ঙম্নবগীদমক মোবাইল ভেহকল চেক পোইন্ট অমা ৮শুবা অসাম রাইফলসকী কম্পনি ওপরেটিং বেজনা চুংদেদা সেটঅপ তৌখি।

হৌখিবা মার্চ ৬ কী অহিং নোংয়াইদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই অমা মফম অদু ফাওরগা লাকপা উখি। অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা মহাকপু লেপনবা হায়রুবদা মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। মফমদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা এ আর পর্সনেলশিংনা খুদক্তা মহাকপু তান্নদুনা ফাখি।

মদুদা মীওই অদুদগী মপান লমদগী পুশিল্লকপা চুরুট উপু ৪০ ফাগৎপা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং অতোপ্পা মীওই অমসু টাটা দিআই অমদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকপদগী এ আর পর্সনেলশিংনা খামদুনা চেক তৌরুবদা য়াল্লবা চুরুট বোক্সশিং য়াওরমখিবনি হায়রি। অসাম রাইফলসনা ফারবা মীওই ২ অদু চম্ফান দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কননভেঙ্কতগী লালনং লিয়ানা (৪৮) অমসুং সী ভি এল মালসোংকিমা (২৮) নি হায়রি।

# এন এস সী এন (আই এম) গী কাদর ১ টিরাপতগী ফারে

ইটানগর, মার্চ ০৮ (এজেন্সি):

লোনা অথিংবা থমখ্রবা নেস্নেল সোসিএলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগলেন্দ (ইসাক-মুইভা) গী কাদর অমা অসাম রাইফলস ট্রুপশিং অমদি অরুনাচল প্রদেশ পুলিস পর্সনেলশিংগী অপূনবা খূৎপু অমনা ফারে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা টিরাপ দিষ্ট্রিক্টকী হোলাম ভিলেজতা চথখিবা জোইন্ট ওপরেসন অমদা এন এস সী এন (আই এম) গী কাদর অদু ফাখিবনি। লালহৌবা অদু ফাবগী পাউ অসাম রইফলসনা ত্বিটরগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহল্লকখিবনি। অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হোলাম ভিলেজদা লোনা অথিংবা থমখ্রবা আউটফিট অসিগী মীওই খরা ওপরেট তৌদুনা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংলবা মতুং মফম অদুদা অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকা খূৎশম্নদুনা থি হুম্বগী থবক চত্থখিবনি।

এন এস সী এন (আই এম) হৌজিক হৌজিক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন টকা সিজ ফয়র তৌনদুনা শান্তিগী ৱারী শারি। অদুমওইনমক অর্মী, পেরামিলিটরি ফোর্স অমসুং পুলিস পর্সনেলশিংনা মতম মতমগী মতুং ইন্না এন্তি নেস্নেল এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবা লুপ অসিগী কাদরশিং ফাবগী থবক চত্থরি।

# অসাম কোংগ্রেসনা ষ্টেট অদুগী কেন্দিদেট খনবদা হায় কমান্দনা খূৎ থিংজিল্লকপা লৈতে

গুৱাহাটি, মার্চ ০৮ (এজেন্সি):

অসাম কোংগ্রেসকী ইন চার্জ জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা মিরেপ পুথোকপগী মতাংদা ন্যু দেল্লীদা লৈরিবা হায় কমান্দনা খূৎ থিংজিল্লকপা লৈতে। ষ্টেট অদুগী অপান্বা মতুং ইন্না হায় কমান্দনা থবক তৌরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ন্যু দেল্লীদা ফল্লিবা বি জে পি লুচিংবশিংনা অসামদা করি তৌরিবগে হায়বদু খঙদনা মখোয়গী অপান্বা মতুং ইন্না মিরেপশিং পুথোক্লি। মসিনা তাকপদি মখোয়না পুথোক্লিবা মিরেপশিং অদুনা ইলেক্সনদা মায় পাক্লকবদি মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌবগী মহুত্তা পার্টি লুচিংবশিংগী অপান্বা মতুং ইন্না থবক তৌরকপা তাবনি।

অদুবু কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি কেন্দিদেট খনবদা ঙসি ফাওবদা দেল্লীদা অসাম কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমত্তা পাইশিনখিবা লৈতে। মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না কেন্দিদেটশিং খল্লি হায়না জিতেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মশাগীতা ওইজবা থিবা বি জে পিবু পরা তমবীবগী মতম ওইরে হায়রি।

# ইন্তরনেস্নেল ৱিমেন্স দে নুমিত্তা নুপীশিংনা সাইকল থৌদুনা হকচাং ফনা লৈহন্নবা পাউজেল পুবা রেল্লি চৎখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ০৮ (এজেন্সি):



ইন্তরনেস্নেল ৱিমেন্স দে ২০২১ লাকপদা গুৱাহাটিদা নুপীশিংনা সাইকল থৌদুনা হকচাং ফনা লৈহন্নবা মীয়ামদা পাউজেল পীখি। কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা চৈথেং পীরিঙৈ মরকসিদা মীয়াম্না ইঞ্জিন পানবা গাড়ী শীজিন্নবগী মহুত্তা সাইকল থৌদুনা চৎনবা ঙসিগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা নুপীশিংনা আপীল তৌরক্লি।

ৱিমেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি চৎখিবা সাইকল রেল্লি অদুদা মশীং য়াম্লবা নুপী কয়া শরুক য়াখি। লমদম অদুদা লৈরিবা নুপীশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা ঙসিগী সাইক্ল রেল্লি অদু চৎখিবনি। থৌরমদুদা হান্নগী ইন্তরনেস্নেল বেদমিন্টন প্লেয়র অমা ওইরম্বতা নত্তনা নেস্নেল চেম্পিয়ন ওইনা লৈরম্লিবা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর কৃষ্ণ হজারিকা রাওনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ঙল্লিঙৈ মতমগা য়েংনরুবদা নুপীশিংগী থাক য়াম্না ৱাংখৎলক্লে। নুপীশিংনা যুম যুমদগী থোরক্তুনা ঙসিগী সাইকল রেল্লি অসিদা শরুক য়ারিবা অসি থাগৎনিংঙাই ওই।

সাইকল থৌবনা অকোয়বগী ফীভম শেংনা থম্বদা অমদি হকচাং ফংগৎহনবদা চাওনা মতেং পাংগনি। মরম অদুনা নুপীশিংনা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী শীজিন্নবগী মহুত্তা সাইকল শীজিন্নরবদি হেন্না অফবা ওইগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হজারিকা রাওসু অতোপ্পা নুপীশিংগা পুন্না সাইকল থৌখি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোর্দন বাইককী কোওর্নর নেহা তলুকদারনা হজারিকাবু তরাম্না ওকখি।

গুৱাহাটি খক্তা নত্তনা অসামগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ইন্তরনেস্নেল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লখি। লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নুপী কয়া থোরক্তুনা শরুক য়াখি। গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদসু চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদগী হৌরগা মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবী নুপীশিংনা থোরক্তুনা শরুক য়াখি। নুপীশিং অদুনা দিঘারিপুখিরিদগী সাইকল রেল্লি অদু লমথাখি। কিলোমিটর ১০ থৌরবা মতুং পান বজারদা রেল্লি অদু লোইশিনখি।

# এ পিদা পুথোকপা চা মনাগী দিমান্দ ইন্তরনেস্নেল মার্কেটতা হেনগৎলক্লি

ইটানগর, মার্চ ০৮ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশতা পুথোক্লিবা চা মনাগী পোত্থোকশিং অসি ইন্তরনেস্নেল মার্কেটতা দিমান্দ তৌবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি হায়না টি বোর্দ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা টি বোর্দ ইন্দিয়াগী রিজনেল ওফিসকী ওফিসলশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা চা মনাগী পোত্থোকশিং কা হেন্না পুথোক্লবা অহেনবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

ইটানগরগী টি বোর্দ এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর অরুপযোটি দাসনা ফোঙদোকখিবদা অরুনাচল প্রদেশকী অৱাংবা মফমশিং মরু ওইনা পাপুমপারে দিষ্ট্রিক্টতা চা মনা পান্বীশিং পাক্তক্লনা থারি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসামনা চা মনা খ্বাইদগী হেন্না পুথোক্লবসু ইন্তরনেস্নেল মার্কেটতা দিমান্দ লৈবদি অরুনাচল প্রদেশতা পুথোক্লিবা চা মনাগী পোত্থোকশিং অসিনা হেল্লি।

চহী অমদা অরুনাচল প্রদেশনা য়ামদ্রবদা চা মনাগী পোত্থোক চহী অমদা মিল্লিয়ন কেজি ১১ দগী ১২ ফাওবা পুথোক্লি হায়না দাসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


# গুগলনা নুপী ওন্ত্রপ্রেনিয়র মিল্লিয়ন অমদা মতেং পীগনি লাউথোকখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ০৮ (এজেন্সি):

ইন্তরনেস্নেল ৱিমেন্স দেনা লাকপগা মরী লৈননা গুগলনা ইন্দিয়াগী রুরেল এরিয়াদা লৈবা নুপী ওন্ত্রপ্রেনিয়র মিল্লিয়ন অমদা মতেং পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

গুগলগী সী ঈ ও সুন্দর পিচাইনা ৱাফম অসি ত্বিটরগী খুত্থাংদা ঙসি ফোঙদোরকখিবনি। হীরম অসিগীদমক্তা দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫ কায়থোক্তুনা থল্লে হায়না সী ঈ ও অসিনা লাউথোরক্লি। লৈবাক অমা মপুং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা নুপা নুপী থোং মান্না চৎমিন্নবগী মথৌ তাই। লৈবাক অসিদা নুপী ওন্ত্রাপ্রেনিয়র কয়া হৌগৎলক্লি। মখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা কম্পনি অসিনা মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌখিবনি। ইন্তরনেস্নেল ৱিমেন্স দেগী থৌরম অসিদা মহাক্না ৱাফম অসি লাউথোকপদা মশা মতোমতা চাওথোকচবা ফাওই হায়খি।

## CROSSWORD-3718




**ACROSS**

Mountain lake (4)
3 Promptly (4,4)
9 Endanger (7)
10 Rogue (5)
11 Religion founded by Muhammad (5)
12 Frightened (6)
14 112 pounds (13)
17 Orb (6)
19 Smell (5)
22 Hunting dog (5)
23 Tranquil (7)
24 Monday to Friday (8)
25 Jab, nudge (4)

**DOWN**

1 Dusk (8)
2 Drive back (5)
4 In good health (4,3,6)
5 Card game (5)
6 Title at top of page (7)
7 Supplication (4)
8 Small quake (6)
13 Surprised (8)
15 One of the planets (7)
16 Self-centred person (6)
18 Terminated (5)
20 Tender (5)
21 Arab boat (4)

**Solution 3717**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3517**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | 2 | | | 9 | 8 | |
| | | | | | | | | 6 |
| 9 | | | 4 | | | | | 2 |
| | 1 | | | 4 | | 5 | | |
| | | 8 | 3 | | 2 | 4 | | |
| | | 2 | | 5 | | | 6 | |
| 7 | | | | | 6 | | | 9 |
| 2 | | | | | | | | |
| | 5 | 1 | | | 4 | 8 | | |

**Solution-3516**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 9 | 5 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 7 |
| 1 | 8 | 4 | 5 | 3 | 7 | 2 | 9 | 6 |
| 7 | 3 | 2 | 6 | 9 | 4 | 5 | 8 | 1 |
| 2 | 1 | 9 | 4 | 5 | 3 | 6 | 7 | 8 |
| 4 | 6 | 7 | 1 | 8 | 9 | 3 | 2 | 5 |
| 8 | 5 | 3 | 2 | 7 | 6 | 9 | 1 | 4 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 6 | 2 | 1 | 5 | 9 |
| 9 | 7 | 6 | 3 | 1 | 5 | 8 | 4 | 2 |
| 5 | 2 | 1 | 9 | 4 | 8 | 7 | 6 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

Regional Institute of Medical Sciences Recruitment Notification 2021: On 05/03/2021, Regional Institute of Medical Sciences Recruitment 2021 for the post of Professor has been released officially at rims.edu.in. Eligible candidates can go through the rims.edu.in Regional Institute of Medical Sciences recruitment notification 2021 to know more about the Regional Institute of Medical Sciences Professor Imphal recruitment 2021. Candidates who meet the eligibility criteria alone can apply by following the Regional Institute of Medical Sciences recruitment 2021 apply online process which is given below. Company Name :Regional Institute of Medical Sciences Post Name :Professor No of Posts:1 Post Salary:Rs. 1/-Per Month Job Location:Imphal Jobs Last Date to Apply:11/03/2021 Similar Jobs:Manipur Govt JobsRegional Institute of Medical Sciences Professor Recruitment 2021 Qualification Details :1. RIMS, Imphal is looking for services of retired Professors who have rendered services in the State/Central Government or any organization funded by State/Central Government to work as Professor I (one) on Contract basis in the department of Orthopaedics, RIMS, Imphal.
2. He/She will report to the Director, RIMS, Imphal. Qualification, Experience and Age requirement are as follows:
3. .Name or post: Professor (Orthopaedics)
4. Educational Qualification: MD/MS in the concerned discipline from a recognized University
5. Experience: Should have worked as Professor in a Medical College/Institute under the State/Central Government or any organization funded by State/Central in the scale of pay Level 14 of 7th CPC (Pay Band Rs. 37400-67000+Grade pay Rs. 10,000/- pre revised) or its equivalent pay scale.
6. Pay: For the services provided by him/her, he/she shall paid a consolidated remuneration of Rs. 1,00,000/- (Rupees one lakh) only per month.
7. Duration of engagement: The engagement is initially for a period of I (one) year and further extension will be subject to requirement to the institute and satisfactory performance.
8. The candidates are required to attend an interactive session with Selection Committee for selecting the suitable candidate for the post from 10 AM on12th Mar, 2021 in the office chamber of Director, RIMS, Imphal. Age :It is desirable to appoint Professors who have superannuated within the last 2 (two) years. Address:(K. Doungel), Deputy Director (Admn.) , Regional Institute of Medical Sciences, Imphal. Also ReadFood Corporation of India Recruitment 2021 - Various Vacancies Across India - 50,000 to 1,80,000 Salary - Apply NowElectricity Board Recruitment 2021 : 2,900 Job Vacancies Available - 18,800 - 59,900 Salary - Apply NowBHEL Recruitment 2021 - 200+ Vacancies Just Now Updated - Apply Now Selection Procedure for Regional Institute of Medical Sciences Professor Recruitment 2021:Selection Will be Based either Written Exam/Interview How to Apply:1. Interested candidates may apply by submitting a neatly typed application and bio-data (along with photocopies of certificates, credentials and all other relevant documents such as Last pay Certificate, Service Termination order etc.) addressed to the Director, RIMS, Imphal on or before 4 pm of 11th Mar, 2021.
No. 11/2829/2014-RIMS (Pt-I):FreshersLIVE.com wishes you best of luck. Keep following our Freshers LIVE web site for latest Fresher Jobs, Government Jobs, Walk-In interviews, Current Affairs, Mock Test and many more. Thank You

SJVN Limited Recruitment Notification for Apprenticeship Training 2021: SJVN Limited Shimla invites applications from eligible Himachal Pradesh residents for recruitment of Graduate Apprentices and Technician Apprentices for undergoing one year apprenticeship training under Apprenticeship Act, 1961. Eligible candidates apply online only through SJVN Limited Online Application portal @ sjvn.co.in/olrp/. The last date for registration of online applications is 15th March 2021.
Advertisement No. 92/2021
Name of Post
Total Vacancies
Graduate Apprentices
120
Technician (ITI) Apprentices
60
Technician (Diploma) Apprentices
100
Trade wise Vacancies:
Graduate Apprentices
Mechanical - 25, Electronics and Communication - 01, Electrical - 35, Civil - 50, Architecture - 02, Instrumentation - 01, Environment Pollution and Control - 01, Applied Geology - 02, Information Technology - 03
Technician (Diploma) Apprentices
Mechanical - 12, Electrical - 30, Civil - 16, Architecture - 01, IT - 01
Technician (ITI) Apprentices
Electrician - 80, Office Secretary Ship / Stenography / Office Assistant / Office Management - 02, Fabricator / Fitter / Welder - 10, Mechanic - 05. Information Communications Technology / IT / Computer Assembly and Maintenance - 03
Age Limit:
18 to 30 years as on closing date.
Age relaxation - 05 years for SC / ST; 03 years for OBC (NCL) and 10 years for PWDs.
Stipend:
Graduate Apprentices: ? 10,000/- per month
Technician (ITI) Apprentices: ? 7,000/- per month
Technician (Diploma) Apprentices: ? 8,000/- per month
Educational Qualifications:
Graduate Apprentices: Full time Engineering Graduate (B.E. / B.Tech) in relevant branch.
Technician (Diploma) Apprentices: Full time Diploma in Engineering/ Technology in relevant branch.
Technician (ITI) Apprentices: ITI passed in relevant trade.
Selection Process:
The eligible candidates will be shortlisted on the basis of merit list formed on the basis of marks secured in Matriculation examination(10th) and ITI Course/ Diploma and Bachelor of Engineering/ Technology.
There will be No Interviews.
Application Fee:
100/- for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
The fee can be made through Debit card/ Credit card/ Internet banking.
How to Apply: Eligible and interested candidates would be required to apply online through SJVN official website (sjvn.co.in/olrp/) from 16th February 2021. The last date for registration of online applications is 15/03/2021.

